# ইরমদম্বু চাওখৎহন্নীংবা কংলৈচা অমা

## আর কে খুমন

**কংলৈ খুন্নাই** অসিদা থোক্লিবা থৌদোক ৱাথোক, উরিবা তারিবা ময়াম অসিদগী পূক্নিংদা ফাওরক্লিবা নুংগী ওইবা ৱাফমদি খুন্নাই অসি হীরম খুদিংমক্তা লৌখৎপা য়াদ্রবা হায়বদুরা হায়বসিনি। য়েংবিয়ু পীকখ্রবা লৈবাক অসিদা থোক্লিবা থৌদোক ৱাথোক ময়ামসি। হাৎনরিবা-শুনরিবা, লাক্নরিবা-ফোইনরিবা য়েংহৈদ্রবা থৌদোক ঙাক্তা। লৈঙাকনি হায়না তৌরিবসিনা মশানা ৱাখল লৌশিং পুথোক্তুনা মশামক পোক্লিবা মমা লৈবাকসি লৈঙাকপগী মহুত্তা মশাগী ফমদগী কেনখিনি খনবনা ইন্দিয়া ময়োল লমদমগী লৈঙাক্কী য়াকাদা লৈঙাক্লি। অদুননি লৈবাকসি হীরম খুদিংমক্তা শোথরক্লিবসি। অদুবু লৈঙাকসিগী শৌগৎপীবা য়াওদনা মীওই কয়া অমদি মাঙজিল থাবা কয়া য়াওরক্লি। য়েংবিয়ু লমদমসিদগী হৌরকপা মালেমগী শান্নবুংদা মাঙজিল থাবা মীথোই মীহেনবা কয়া য়াওরক্লিবসি। শান্ন-খোৎনবদা নত্তনা মীওই কয়াসু ইন্দিয়াগী য়াম্না মরুওইবা লুখ্রবা চাংয়েং কয়াদা মকোক থোংবা য়াওনরক্লে। মসিনা তাক্লিবদি লমদম অসিদা লৈঙাক্লা শৌগৎপীদ্রবসু মশা মতোমতা হোৎনজরগা মীকোক থোংলক্লি হায়বসিনি। অসিদসু নত্তনা ঙসিদি মশীং য়ামদবা মীওই খরদি, লৈঙাক্লা থৌশাদবদগী শেনমিৎলোন্না হায়নীংঙাই লৈতনা ফৎত্রবা, লায়রবা মশীং খঙদনা লৈরবা, থবক ফংদবা মশীং থিঙমদনা লৈরবা লমদমসিদা থবক ফংদ্রবা মীওই কয়াবু থবক পীনবগী পান্দমদা অমসুং লমদমসিগী শেনমিৎলোন খরতা ওইরবসু ফগৎনবা হায়দুনা লৌশিং পাঙ্গল শেল থাদদুনা হোৎনবা ইরমদমসিবু নুংশিজবা মীওই চোঙথোরক্লি। অশোমদা য়েংলগা ইরমদমসিগীদমক অমুক চাওথোকচবা ফাওজে। শান্ন-খোৎনবদা, অচৌবা চাংয়েংদা মায় পাক্লকপগী পাউচেদা ফোটোগা কোন্ননা ফোঙলক্তুনা লৈবাক মীয়াম্না ইখঙ খঙনরি। অদুবু ইরমদমগীদমক লৌশিং, পাঙ্গল, শেল পুথোক্তুনা লৈবাক মীয়ামগী খন্দুনা চোঙথোরক্লিবশিং অসিদি ফোঙদোক্তুনা মীয়ামদা খঙহনবা পংথেং থেংনদে। অসিগুম্বা মীওইশিং অসিনা ঙসি ঙসিমক ঐখোয়না উরুবা তারুবা পোথোক পুথোক্লবগী অমসুং মীওই কয়াবু থবক পীনবগী পান্দমদা লৌউ-শিংউ তৌবা, হোস্পিটাল, হোটেল, অচাপোৎ শাফম কয়া হাংদোকপা য়াওরি। মখোয়সিবু ঐখোয়না মশাগী শেল তানবা খক্তনি হায়বা হায়মনবা থোক্কনি। অরুবা অনা লায়েংদা ময়াং লমদমদা শেঞ্জাউ থাদদুনা লায়েংলম্বদু ইরমদমদা অনা লায়েংদা থোইদোক্লা খঙ-হৈরবা ডাক্তরশিংনা মতমগা চুনরবা খূৎশু খূৎলায়শিং থম্বা হোস্পিটাল/ক্লিনিক কয়া হাংদোরকপদগী শেল ইচঙ চঙদনা লায়েংবা ফংহল্লে। মোৎখ্রবা ময়াংশিংনা শাবা অচাপোৎকী মহুত্তা ইরমদমদা তরু-তনান্না শাদুনা চাবা ফংলে। অসিগুম্বা মীওইশিং অসিগী পায়খৎলক্লিবা থবক থৌওংশিং অসিনা ঙসি ঙসিমক ময়াং লৈবাক য়ৌদ্রবদি কংলৈচাশিংনা হিংবা ঙল্লোই খঞ্জরিবা মীওইশিংগী অপংবা ৱাখল্লোন্দু লাল্লি হায়বগী ফরবা মীৎনা শং-শংনা উরবা খুদম অমনি।

মণিপুরসি অফবা তৌরকপা মীওইসি থাগৎপীদুনা পূক্নিং থৌগৎপীবগী মহুত্তা করেম কথাইনদুনা শিথবিবগী চৎনবীসি য়াম্না ৱাংনা লৈবা লমদমনি। ৱাফম অসি হকথেংননা থেংনখিবদা কংলৈপাক্কী পুৱারীবু লাই ওইনা য়েক্তুনা থম্বীরম্বা মালেমগী লাই য়েকপা অফাওবশিংগী মনুং চল্লবা লৈখিদ্রবা পাবুং ইবুংঙো ময়াম্না আর কে সী এস (রাজকুমার সিতলজিৎস্না সিংহ) হায়না খঙনবনা মশানা য়েকচবা লাই ময়ামদু মশানা শিঞ্জদুনা জি এম হোলদা উৎপা এগজিবিসন অমদা মমল নাইদ্রবা লাইশিংদু করেম কথাইনদুনা ঙাঙলকপদা হায়বীরম্মী। পাবুংনা য়েকপীরম্বা লাইসিদি কংলৈ খুন্নাই অসিগী মমল নাইদ্রবা লন (ৱেলথ) ওইরিবা অমসুং মতম পুম্নমক্তা অয়েংবশিংদা থিনদুনা কংলৈপাক্কী পুৱারীবু তাক্তুনা লৈবা অহিংবা অয়েকপা লাইনি।

য়াম্না নহা ওইরিঙৈদগী মমিংসু য়াম্না লৈবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা থা খুদিংগী ইংলিস লোন্দা ফোঙবা চেফোঙ রিদর দাইজেষ্ট হায়বা চেফোঙসি য়াম্না পাম্না পাজরকখি। চেফোঙ অসি হৌজিক্তি লোন তরামাপলদা ফোঙলে, অদুগা মীওই মিল্লিয়ন চাম্মা হেনবনা পারে হায়রি। চেফোঙ অসিদা মখল মখা কয়াগী ৱারেং য়াওই, অদুবু য়াম্না পামজবা ৱারেং হায়রগদি হৌজিক হৌজিকমক অফবা তৌরিবা মীওই কয়াগী ৱারীদা য়ূম্ফম ওইবা ৱারেংশিং ওইখি। মীয়াম্নদি হেক খঙবদা ৱাগদবা খুন্নাইগী অফবা তৌবা মীওই কয়াগী ৱারীসি রিদর দাইজেষ্টনা থি থিদুনা উনরগা ৱাহং পাউহং তৌদুনা ইথোক্লগা চেফোঙসিদা হাপ্পগী মওংগসিনি ৱারেংসি। ইরমদম অসিদদি অসিগুম্বা চেফোঙসু ফোঙবীনবা লৈতে, ফোঙলুরবসু পাবীনবসু লৈতে, পাবগী মহুত্তা করি তৌজ শারিনো হায়না করেম কথাইনরক্কনি। অমবু ওইরো অমবু ওইরো অইবনা খুন্নাইগী লুরবা তানফম অসিদা পেঞ্জদবগী ইরমদমগী পোথোক ওইরিবা সী সী টি (Cymbopogon citrates) ইরমদমগী কৈথেলদা ফংদুনা চা ওইনা থক্নরিবা পোৎলমসিগী মরমদা ইজদুনা পাউচে অসিমক্তা ফোঙজখ্রে। ইজরিবা ৱারেং অসিসু মশক মশাদি খঙদনা মীং তাদুনা লাক্লবা মীওই অমখক্কী তৌথোরক্লিবা থবক্তা পেঞ্জবদগীনি।

নীংশিংলকপদা কুমজা ১৯৮৬ অসিৱাইদা ওইরমনি হায়না খল্লি। নোংমা য়ূমলোন্ননা লৈমিন্নবা ইয়াম্বা অমা লাইহৌ কন্না হৌরকপদগী ইয়াম্বদুগী মনাও নুপা ঐগসু তিন্নবা অদুনে মখোয়গী ইমুংদুগনে ঐখোয় অহুম্না রিমসতা লায়েংনবা পুখৎলি। মথংগী নুমিত্তা ডাক্তরনা অনাবা ইয়াম্বদুগী ঈ অমদি অমাংবা টেষ্ট তৌরুচো হায়না হায়রকপদগী রুপমহল টেঙ্ক হায়না খঙনবা রুপমহল থিএটরগী হেক মনীংদা লৈবা ববিনা দাইগ্নোষ্টিক্সতা পোৎলমশিং অদু টেষ্ট তৌনবা ইমান্নবদুগা লোয়ননা পুদুনা চৎলি। নুমিৎতু ঐনা অহানবা ববিনা দাইগ্নোষ্টিক্স হায়বসি করিনো হায়না খঙবা নুমিৎনি। ববিনা দাইগ্নোষ্টিক্স মনুংদা হেক চঙবগা মশক মতৌ ফজবা মশা তবা-তবাবা মশাগী চহী কুন্থা খরগী মথক্কী নুপা অমনা য়াম্না তরাম্না কৌশিনবীবগা লোয়ননা করি মরমগী লাকপনো হংবিরকই। তরাম-তরাম তৌবিবগী মওংদুদা ঐখোয় অনীসু নুপাদুদা কোইদ্রে, অথুবগী টেষ্ট তৌবা লাকপনি হায়রগা পোৎলমশিংদু পীশিল্লি। নুমিৎতুগী নুংথিলদা টেষ্টকী রিজল্ট লৌবা লাক্নবা খঙহল্লকপদগী নুংথিলদা লৌবা চৎলি। দাইগ্নোষ্টিক্সতা চঙবগা ঙসাইগী নুপাদু ঐখোয় উবদা টেষ্টকী রিজল্ট ইবা চেদুগা লোয়ননা টেষ্ট তৌবগী মমল ইবা চে অমসু পীরকই। ইমান্নবদুনা শেলশিংদু পীবগা নুপাদুনা লৌশিল্লগা ঐখোয় অনীদা নোকফেৎ তৌরগা নখোয় লাইরিক কয়াম তম্লবগে হায়না হংলকই। মতমদুদা ইমান্নবদুদি লিলোং হাওরৈবি কোলেজদা বি এস সী তম্লি অদুগা ঐনা নম্বোল ওইনামদা লৈবা থম্বালমরিক কোলেজদা প্রী য়ুনিভর্সিটি সাইন্সতা সেকেন্দ ইয়র তম্বা মতমনি। ইবানিগী মহৈ মশীনগী থাক্তু তারগা কন্না হোৎনৌ হায়না পাউতাক পীরকই। ঐখোয় অনী লম্বীদা নুপা অসি য়াম্না ফৈনে মপূ মাল্লি হায়না ঙাঙনরগা হোস্পিটাল তম্না লাকখি। মতুংদা দাইগ্নোষ্টিক্স অসিদদি ঙসি ফাওবা অমুক হন্না চৎখিদ্রে মরম লৈতবনা অদুবু ঐগা খঙনজবা মীওইশিংদদি মখোয়গী অসিগুম্বা টেষ্ট তৌবগী মথৌ তারকপা মতমদা ববিনা দাইগ্নোষ্টিক্সতা চৎলু হায়না হেক হেক হায়খি।

মতম খরগী মমাঙদা পাউচেদা ববিনা গ্রুপ ওফ কম্পেনিজগী চ্যেরমেন অমসুং মেনেজিং দিরেক্টর ডা. থাংজম ধবলিগী পুন্সি ৱারী অমসুং থবক্তা য়ূম্ফম ওইবা ৱারেং অমা য়াম্না ফজনা মরীক চূম্না ইবিরকখি। ৱারেংদু পারুবদা ইশানা থেংনজখিবা ডাক্তর অসিনা হাংদোকপীদুনা মীয়ামগীদমক থৌগল তৌরিবা ববিনা দাইগ্নোষ্টিক্স চৎলুবগী থৌদোক্তু নীংশিংলকপনি। ডাক্তরগী থবক্তা পেঞ্জখিবদি থবক ফংদবা মশীং থিঙমদনা লৈরবা লায়রবা লমদম অসিদা দাইগ্নোষ্টিক্স সেন্তর, হোটেল, রেষ্টুরেন্ট হাংদোক্তুনা মীওই ৭৫০ থবক পীবিবা, লোয়ননা কেন্সর হোস্পিটাল অমসু থুনা হাংদোক্লগনি, নেসনল অমসুং ইন্টরনেসনলগী চেফোঙশিংদা সাইন্টিফিক পেপরশিং ফোঙখ্রে হায়বসিনি। ডাক্তরনা খুন্নাই অসিদা পীরিবা খুদোলসি য়াম্মী। অনা লায়েংগী মথৌ তাবা টেষ্টকীদমক ববিনা দাইগ্নোষ্টিক্স হাংদোকপীদুনা শাংলবা মতম অমা মীয়ামগী থৌগল তৌদুনা লাক্লিবা, লম কোয়বা লাকপা মীওইশিংনা লৈনবা নাতে চাবা হোটেল লৈরমদবদু লূ-নানবা তনানবা চাফম থকফম য়াওরবা The Classic Hotel, The Classic Grande, Sendra park and resort হাংদোক্তুনা লম কোয়বশিংগী পোথাফম শেম্বীরিবসি মীয়াম অমদি লৈবাক অসিগী য়াইফবনি।

ইকায়খুম্নজরবা ডা. ধবলিগী মরমদা তাজবদা Indian Medical Association, Manipur State Branch, Indian Red cross Society, Indian Association of Pathologist and Microbiologist, Indian Association of Cytologist and Medical Society, RIMS, Imphal (life member), Indian Association of Pathologists & Microbiologists (President, 2010-11, 2013 – 2014 North East Indian Medical Association), (President,2013 – 2015), Manipur State Branch, Manipur Tourism Forum (Founder President, 2012 –2017), Manipur Chamber of Commerce and Industries (President, 2013 – 2017), Impact Media net and Telecommunication Pvt. Ltd (Chairman), Manipur Mountaineering & Trekking Association (Patron Member), Manipur Medical Council ((Executive Member, 2013 – 2017), Dhanamanjuri Community College (Member-director), Academic Committee, Entrepreneurship development program Manipur University (Member), Airport Advisory Committee Imphal Airport (Member), NEROCA Football Club (President & Managing Director), Rotary Club of Imphal, President (Member, 2005-2006) Association অমসুং বোদিশিং অসিগী মরুওইবা থৌ পুবা ওইনা থবক য়াম্না চিনবা মীওইনি হায়না তাজে। মরম অসিনা অইবনা শক খঙনদ্রবসু ডাক্তরগী থবক নৈনরুবদা মশাদা নেসনল কেরেক্টর চেন্দুনা ইরৈবাক ইরমদমগী ফনবতা নত্তনা মীওইবা খুন্নাইগীমক খন্নবসিসু অমনি। মসিমক্লা ডাক্তরনা থোইদোক হেন্দোক্লা মীওইবা খুন্নাইগী চোকথবা নাইদনা থবক তৌবগীদমক মনা মথুম কয়া পীদুনা ইকায়খুম্নবা থেংনজে। থেংনজরবা ডাক্তরবু ইকায়খুম্নদুনা পীরকখিবা মনা-মথুমশিং "The Northeast Excellence Award 2010" (awarded by Indian Chamber of Commerce in collaboration with Doner (Donor) Ministry); "Indian Leadership Award for Health Excellence 2010" (Awarded by All India Achievers Foundation); The Bright Star of Manipur Award 2011" (Awarded by All Manipur Arts and Culture and Sports Development Society for establishing the first 3-star category hotel in the state); "Indian Achievers Award for Healthcare Excellence 2012" (Awarded by Indian Economic Development & Research, New Delhi), "Mother Teresa Excellence Award 2012" (Awarded by Integrated Council for Socio-Economic Progress, Thrissur) and "Nedfi Award – 2015" (Awarded by North East Development Finance Institution in recognition of his entrepreneurial initiative in this region sing অসিনি। দাক্তরবু ইকায়খুম্নদুনা পীরক্লিবা মনা মথুমশিং অসি খূৎ য়াওদনা ৱা য়াম্না ঙাঙবগী নত্তে, চিনগা খূৎকা মান্নবনা মনা মথুমশিং অসি পীবিরকপনি। মনা মথুমশিং অসিনা ডাক্তরনা মীওইবা খুন্নাইগীদমক কয়া য়াম্না তৌখ্রে হায়বগী খুদমনি। ইকায় খুম্নজরবা ডাক্তরগুম্বা ইরমদম্বু চাওখৎহন্নীংবা মতিক চাবা মীওই য়াম্না ইরমদমদা চোঙথোক্লবদি ইরমদমসি চাওখৎপদা খোঙজেল য়াঙশিনগনি। ইকায়খুম্নজরবা ডাক্তর খক্তা নত্তনা ইরমদম্বু অফবা মায়কৈদা পুখৎনবা থবক পাঙথোক্লিবা মীওইশিং পুন্সি নুংশাংবা ওইসনু।

# এস টি দি সী এম

## লৈশাংথেম দিজেন

**এস টি দি সী এমনা** মৈতৈবু ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুসনগী ৫শুবা সেদ্যুলগী সেদ্যুল ত্রাইব লিষ্টতা চলহন্নবা চঙশিল্লকপা খোঙজংদা মায়কৈ খরদগী য়ানীংদবা ফোঙদোক্লকপা পুন্সিশিংদু উজরগা এস টি দি সী এমগী ৱাখল্লোনবু পামজবা অমা ওইনা ঐহাক্লা অসুম্না লৌজে মদুদি :-

১বা : চহী ২০০০গী মমাঙদগী ফজবা নাৎ-চৎনবী (সিভিলাইজেসন) লৈজরকপা কাঙলুপনি।

২শুবা : পুৱারীদা খা-নোংচুপ এসিয়াগী মনীং তম্বা নিংথৌ পানবা লৈবাক নেসন অমা ওইনা লৈরকপনি।

৩শুবা : মৈতৈনা এস টি লিষ্টতা চনবদা চীংমী ইচিন ইনাওশিংনা য়ানীংদে। মরম অসিনা ঐখোয় মশেল তিন্নবা য়ানবা চীংমীনা পামদবা তৌগুমসি।

হায়রিবা অহুম অসিনা মরম ওইরগা মীতৈনা এস টি লিষ্টতা চনবা মরম চাদে হায়বনি। ৱাফমশিংসিদা লৈবাক মীয়ামদা অসুম্না থমজরি - মালেমসিদা মৈতৈ/মীতৈগুম্না মীওইবা কাঙলুপ খুদিংমক চৎনবী-নাৎ লৈতবা মীওই কাঙলুপ লৈতে। তৌবতবু মতম মতমদুগী মীওইবা কাঙলুপশিংগী মরক্তা খরা হেন্না লূ-নানবা নৎত্রগা খরা হন্থবা হায়বা ৱাফম অদুতগী ৱানি।

পীক্কেরা, চাউগেরা কাঙলুপ খুদিং নিংথৌ পাল্লমদবা হৌজিক্কী লোনদা হায়রগনা লুচিংবা লৈরমদবা য়াওদে। মসি মালেমগী খ্বাইদগী লৌশিং জ্ঞান - নোলেজ লৈরবা Social Authropologist শিংনা হায়বা ৱাফমনি। Nomadic tribe নত্তনা, পীক্কেরা, চাউগেরা কাঙলুপ খুদিং মখোয় মখোয়গী কোনশিনবা মফম লম অমসুং মখোয়না, মখোয় অসি লাইনা থাবা লৈবাক্লি হায়না খঞ্জবা ইংরাজিদা the idea and sense of nationhood লৈখিদবা মীওই কাঙলুপ অমত্তনা অমেরিকাদা, এসিয়াদা, অফ্রিকাদা, ওষ্ট্রেলিয়াদা অমসুং য়ুরোপতা লৈখিদে। খেন্নবা হায়ববু মমৈদা ১৮শুবা অমসুং ১৯শুবা চহীচাদা সাইন্স অমসুং টেক্নোলোজিগী ঈচেলদা য়াওহৌবা ঙমহৌবা নৎত্রগা ঙমহৌদবা হায়বা অদুনা ঙসিগী মালেমগী নেসন অমা ওইবগী থাক লেপ্পগী ৱাতনি।

ঐখোয়গী মরক্তগী, মায়কৈ খরদগী ফোঙদোক্লিবা মীতৈ/মৈতৈদি নেসনগী থাক্তা লৈরবনি করিগী অমুক তুশোন-মানশোন্নবা ত্রাইবকী থাক্তা অমুক হন্থগদৌরিবনো হায়বা ৱাফমসি ঐখোয় পূক্নিং লৈতানা খন্থবা চঙই। হৌখ্রবা পাষ্ট গ্লোরিদা হিংদুনা লৈবা য়াদে হায়বা খন্থমিন্নবা মথৌ তাই। ঙসিদি স্কার মাইল ৭০০ ফাদবা তম্পাক্কী লমদা মপান্দগী মশীং খঙদবা মখৈ অতৎ-অখম লৈতনা থোমজিল্লকপা মপাল্লমগী মীশিংনা ঙক য়ৌদৌরবদা পাষ্ট গ্লোরিগী নাপলনা ঐখোয়বু হেন্না হেন্না শোকহনবা নত্তনা করিসু তৌবা য়ারোই হায়বা খঙমিন্নবা মথৌ তাই।

হৌজিক্কী মতমদা অচৌবা কাঙলুপ নৎত্রগা নেসন ফাওবা মখোয় মখোয়গী খুদোংচাবনা মাং থারবা মতম মালেমগী খ্বাইদগী কল্লিবা য়ু এস এ ফাওবা অমেরিকা ফার্ষ্ট হায়বা মতমনি, করিগীদমক মীনা শাওখিনি হায়দুনা ইশাগী তৌগদবা ইথৌ তৌরোইদৌরিবনো। এস টি দি সী এমসু খঙলমগনি লৈবাক্কী ইন্টরেষ্ট অদুগা করি করম তৌরগা লৈবাক্কী অফবা ওইগনি। মরম অসিমক্কনি ঙসি মীয়াম্না খোঙজং চঙশিল্লিবা।

কুমজা ১৯৫০-৫১দা মতমদুগী ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী মরী লৈনবা ওথোরিটিনা চীফ কম্মিস্নর অমনা লৈঙাকপা মণিপুরদা মতমদুগী লৈরিবা মীওইশিং পাক চাউরবা ইন্দিয়াগী মীয়ামগী লমজেল তান্নবদা খরা খিৎ শোনগদবা অপীকপা কাঙলুপশিংবু ঙাকলৌ পীননবা কন্সটিট্যুসনগী ৫শুবা সেদ্যুলদা হাপ্পনবা হোৎনবদা মৈতৈ/মীতৈ হায়বা কাঙলুপ অসিদি অর্য়ানশিংগী চাদা নাওদানি হায়না হায়জবা মতমদুগী লুচিংবা মণিপুরগী মেম্বর ওফ পার্লিয়ামেন্ট ওইরম্বা ললিতা মাধোপ শর্ম্মনা লুচিংদুনা মৈতৈ/মীতৈদি ব্রাহ্মিন অমসুং ক্ষেত্রিশিংনি হায়দুনা মৈতৈ/মীতৈশিংগী মীংদা সিংহ থোন্দুনা চীং অমসুং তমগী হান্না অমাং-অশেঙনা লাপথোক্নহল্লম্বদু কুমজা ১৯৫০-৫১ দগীদি কন্সটিট্যুসনগী মিৎয়েংদসু তোঙান তোঙানবা কাঙলুপ ওইহনখিবনি।

লমদম অসিগী পুৱারীদা চীং-তমগী লৈনরম্বী মরী, লাই হাক্তক্তগী অরুবা থেঞ্ছাং কয়াদা নাকল-নাকল লেপমিন্নদুনা খোংফম চেৎনা লেপমিন্নখিবা কয়া ঙসিদি মৈতৈদি চাওখৎপা থাক্কী নেসননি হায়বদুগী নুংগী ৱাখলনা তোখায় তোখায়হনবা ঐখোয়না খঙজিনফম থোকপনি। চৈরক অসিদা চীংগী মহৈরোয় লূপ অমা ওইরিবা অটসুমনা এস টি দি সী এমগী খোঙজংবু য়ানীংদবা ফোঙদোকপা থেংনরে। অটসুমগী পীরিবা খ্বাইদগী মরু ওইবা মরমদি :-

১বা : মীতৈনা এস টি ওইরবদি, চীংগী লমশিং মৈতৈ/মীতৈ মুনখ্রগনি অমসুং

২বা: নহানমখৈ এস টিগী ফংলিবা গভর্ণমেন্টকী থবক তৌবগী চাকথুং, মহৈ তম্ফমশিংগী চাকথুং অমদি এস টিশিংগী ষ্টেটনা পীরিবা খুদোংচাবা পূম্বা, অশিংবা মৈতৈশিংনা য়োৎশিনখ্রগনি, হায়বা মরম অনীসিনি।

পনবা য়াবদি অটসুমগী পীরিবা মরম অনী অসিমক এস টি দি সী এমনা অটসুম্না মীপায়রিবা পূম্বসি কোক্নবা হৌজিক-হৌজিক নাগালেন্দদা চৎনরিবা ত্রাইব পূম্বগী চাকথুং শুকশোয় শোয়দনা ফংনবা Quota within Quota গুম্বা অমা চৎনহন্দুনা হিল ত্রাইবশিংগী চাকথুং অমত্তা মাঙহনগদবা লৈতে অমসুং কনাগুম্বা অমগী লম্বু কনাগুম্বা অমনা এস টি ওল্লগা মুনবা ঙমগদবসু লৈতে অসিনচিংবা ৱাফমশিং লৈবাক মীয়াম মমাঙদা এস টি দি সী এমনা থমখিবা থেংনখ্রে।

অদুম ওইনমক অটসুম্না করিগুম্বা এজেন্দা খরগী মখাদা হৌজিকসু মেদিয়াগী খূৎথাংদা তোয়না মরু ওইনা লমদমসিগী ইংলিস লোন্দা ফোঙবা পাউচেশিংদা মখোয়গী য়ানীংদবগী মরম পীদুনা ফোঙলকপদগী এস টি দি সী এমগী ৱাখল্লোনবু স্যের তৌদুনা মণিপুরগী মরুওইবা পাউচেশিংগী ওনলাইনচিংবদা তোইনা অটসুমগা দিবেট তৌনদুনা এস টি দি সী এমগী ফিরেপ্পু হেন্না হেন্না ময়েক শেংহল্লি।

মতাংসিদা পঞ্জনীংবদি জান্যুৱারী ৫, ২০১১দা সুপ্রিম কোর্টনা ইন্দিজিনস পিপলশিংগী মতাংদা পীখিবা ৱারেপ জজমেন্ট "The Present Scheduled Tribes are the descendants of the original, indigenous people or adivasi of the the country" হায়খিবসিনা এস টি দি সী এমগী ৱাফম্বু করিসু য়েৎননীংঙাই ওইদ্রে।

দেমোক্রেসিনি, মী-মীগী অনীংবা অপাম্বা ফোঙদোক্লবা য়াই। অদুবু গভর্ণমেন্টনা তৌগদবদি লোনসু য়াবা পুৱারীনসু তাক্লবা লম্বী অদুদা চৎহনবদুনি। মসিনা লৈবাক্কী তুংগী অফবা ওইগদবনি।

শম্না হায়রবদা ঐখোয়না ঙসি পীক্লবা চীংলৈপাকসিগী ময়ায়গী পাক্লবা তম্পাকলম অসিখক্তদা লৈবা মৈতৈ/মীতৈশিং অসিবু কন্সটিট্যুসনগী ঙাকলৌ অমত্তা পীদনা থম্বদা তেল্লবা মতমগী মনুংদা ময়ূমমক্তদা শাইদাংবা হায়বদু ওইরক্লোই হায়বা ঙমদ্রবা মতম য়ৌরক্লে। মরম অসিনা লৈবাকপু নুংশিজবা ঈরৈচা পূম্বনা এস টি দি সী এমগী খোঙজং অসিবু মতেং পাঙবীয়ু, শৌগৎপীয়ু মুৎখিবা য়াবা কাঙলুপ অসিবু কনবদা অদোম অদোম্না অঙম্বা থৌদাং লৌবিয়ু নৎত্রবদি তুংগী মীরোলনা ঐখোয়বু কৈদৌঙৈদসু ঙাকপীরোই নীংশিংবিয়ু।

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## সঙাইগী মচি হোরাইজেন্টল পুরা ওইরে, শোয়রে

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**চহী** খুদিংগী লেপ্তুনা চখ্থরকপগুম্না হন্দক্কী চহী ২০১৭কী সঙাই ফেষ্টিবেলসু নবেম্বর ২১দগী পাঙথোক্লগনি। লোয়ননা ফেষ্টিবেল অসিগা মরী লৈননা পাঙথোক্কদবা মফম অয়াম্বা লৈজবী থাদুনা লূবা-নানবা, কেবা অয়াম্বনা লোইশিনখ্রে। অদুগা হন্দক্তি হান্নগা মান্নদবা মওংদা মণিপুরখক্তা নত্তনা কনাগী প্রাইভেট ফ্লাইট ইন্দিগো, জেট এয়রৱেজ, ইন্দিয়ন এয়রলাইন্স, এয়র ইন্দিয়া, নেসনল পেপরশিংদসু অকনবা মওংদা এদভর্টিজমেন্ট তৌনরি। লোয়ননা ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী চাউবা ফম পায়রিবা প্রসিদেন্টতা নত্তনা অতৈ অতোপ্পা ফোরেন দেলিগেটশিংসু লাক্কদৌরি। লোয়ননা ইম্ফালগীসু হাপ্তা কাংজৈবুংদা নত্তনা মরী লৈনবা লম্বী-থোং পূম্নমক লূ-নান্না থমখ্রে। ইশম শম্না ইম্ফালগী ময়োল মতেক অসি লুহোংগদবী কৈন্যা অমগুম্না কেরে, লূ-নাল্লে হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই।

য়াম্না নুংঙাইবা অমনা হাপ্তা কাংজৈবুংদা মাগী মাগী কাঙলুপকী ওইবা থায়নগী কলচরগা শাগোন্নরক্লবা ত্রেদিস্নেল য়ূম মখল কয়া শেম শাদুনা থল্লিবা অসিনসু অমুক্কা হেন্না ফেষ্টিবেল অসিগী মহাউ পীগদৌরি।

মতাং অসিদা থমজনীংলিবা ৱাফমদি, হাপ্তা কাংজৈবুংগী অৱাং থংবা পেলেস গেটকী মেইন মথক্তা মমাঙগী মখোঙ অনীমক থাঙ্গৎলগা সঙাইনা চোঙবগী মওংদা য়েক্তুনা শেম শাদুনা থল্লিবসি, সঙাইগী মচি অসি হোরাইজেন্টল পুরা ওইরে। অদুনা মসি শোয়রব্রা হায়না খঙৈ। মসিগী সঙাইগী মচিসিদি মৌনহানা দেব-কর্ম্ম লুহোং-খোংদোংবদা তঙাইফদনা সেঙ্গা (অপাকপা পুখম মখল অমা) থাঙ্গৎলগা পুদুনা চৎপা মাল্লি। সঙাইগী মচিদি পুল্লপ্না লোইনমক ভর্টিকেল ওইদ্রবসু কৈদৌনুংদা হোরাইজেন্টল প্লেন্দা লৈতে হায়বসি হায়নরুদ্রবসু মীয়াম্না হেন্না খঙনরবা ৱাফমনি।

অসিগুম্বা ঐখোয়গী ইচিল-ইনাওশিংদা নত্তনা মালেমগী শক্লাইরবা মীয়ামশিংগী মিৎয়েংফমসু ওইগদৌরিবা সঙাইগী মিত্তম অসি থাঙ্গৎতুনা থেৎত্রিঙৈদা অখঙ অহৈশিংগা য়াম্না মুন্না তান্নহন্নীংই, য়েংহন্নীংই। মসিগী মতাংদা মরী লৈনবশিংগী মিৎয়েং চিংশিঞ্জরি।

লোয়ননা পেলেস গেট অমদি আর দি এস (রাজ দুম্রা সিংহ হায় স্কুল) কী ক্রোসিংদা খিল্লিবা থাঙ্গাল জেনরেলগী মীত্তম মমাঙ ওন্দুনা লেপ্লিবসি হেক খিনখিবদগী য়াম্না মোৎলে, অদুনা শেংনা অমুক্তং চামথোক্তুনা নালহনবা মতম ওইরব্রা, মথৌ তারব্রা খঙৈ।

*অদোমগী -লাইতোঞ্জম রবিচন্দ্রা মৈতৈ*
*শিংজমৈ থোকচোম লৈকায়, ইম্ফাল*